**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

২) রিমস হোস্পিপালদা লায়কন্নরিবী শঞ্জিতাগী পুক্ংদা লৈখিদ্রবা অঙাং ঙসি ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে, শঞ্জিতাগী হকচাং ভেন্তিলেটর হাপ্তুনা থম্বগা লোয়ননা ক্রিতিকেল কন্দিসনদা অদুমক লৈরি হায়রি।

৩) রিমস হোস্পিতালদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২৫ হাংদুনা অনা লায়েংগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

৪) বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- জম্মু অমসুং কাশ্মীর অসি চাওখৎপগী লন্বীরোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

অমসুং

৫) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিবু পুনশিন্নবা হোৎনবদা হিন্দি লোলনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

------

কার্ফিয়ু (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ ফাওবা করফিউ কোমথোক্কনি।

রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সা ফগৎলকপদগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুংথিল পুা ৪ ফাওবা করফিউ কোমথোক্লম্বনি। অদুবু মফম খরদা নৌনা ইরাং থোরকপা য়াবগী চিংনবা লৈবদগী ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাদা করফিউ কোমথোকপগী মতম পুং অনিদা তেনশিনখি। অদুগা বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ মখায়দা তেনশিনখি।

ককৱা (এল)ঃ  মীয়ামগী ইরাং লাকশিন্নবা তিয়ার গ্যাস কাপ্পদগী অহাবা মনমনা শ্বোর ফুনগৎপদগী হৌজিক রিমস হোস্পিালদা লায়কন্নরিবী শঞ্জিতাগী পুক্ংদা লৈখিদ্রবা অঙাং ঙসি ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

রিমসকী মিদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- চাউরাকা কে.জি. অমা মখায়রোম লুম্বা লৈখিদ্রবা অঙাংগী মশা অদু ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা শঞ্জিতাগী মপুরোইবদা খুৎশিন্নখিবনি। হৌজিক শঞ্জিতাগী হকচাং ভেন্তিলেটর হাপ্তুনা থম্বগা লোয়ননা ক্রিতিকেল কন্দিসনদা অদুমক লৈরি। মহাকপু রিমস হোস্পিতালনা অঙম্বা থাক্তা লায়েংলি। মরম অদুনা শঞ্জিতা লৈখিদ্রে হায়না তোকঙা শন্দোরক্লিবা অসি থাজবীগনু অমসুং মহাক হৌজিক ফাওবা হিংলি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, শঞ্জিতাগী থা ৯ লোম শুরবা মচা লৈখিদবা অসিদা য়ানিংদবা ফোংদোক্ত্না ঙসি ককৱা পুলিস ষ্টেসনদা মীয়ামা থোমজিনখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং অদুদা ককৱা পুলিসকী থৌওং য়ানিংদে হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়াসু লাউখি। মীয়ামগী ইহৌ অদু লাকশিন্নবা মণিপুর পুলিসনা তিয়ার গ্যাই সেল কয়া কাপখি।

অঙাং লৈখিদবগী থৌদোক অদুগী মায়োক্তা হৌজিক হৌজিক জে.এ.সি. অমা শেমবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

স্কুল (এল)ঃ  মণিপুরগী ওইরক্লিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা মহৈ লোইশঙশিং ছুতি থাদোকপগা মরী লৈননা ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলৱ্যার এসোসিয়েসন্না রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি, ইজ্কেসন (এস)কী

কম্মিসনার অমসুং ইজ্‌কেসন (এস)কী দিরেক্তরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়না এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অসিনা হায়- ইজ্‌কেসন সেক্তর অসিনা পেরালাইজ ওইনা লৈরিবা অসিনা তুংদা ইরৈবাক ইরমদম অসিদা মাংজগদবা কয়া খন্থমিন্নবগী মতম ওইরে। মরম অদুনা মহৈ তম্ফমশিং থোঙ হাংদুনা মহৈরোইশিংবু মহৈ তমবা হোৎনবদা মীয়ামা অঙন্বা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু আপীল তৌরি।

অদালত (এল)ঃ মণিপুর লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিশিংগা খুৎশমদুনা অহুম্লক শুবা নেসনেল লোক অদালত পাঙথোকখ্রে। ঙসি থৌবাল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল, সেনাপতি, চুরাচান্দপুর, চান্দেল, তমেংলোং, তেংনৌপল অমসুং জিরিবাম জিলাশিংদা লোক অদালত পাঙথোকখি। অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী য়েংলগা থা অসিগী ২২ দা য়ৈথোকখ্রে। অমরোমদা, হাই কোর্ট লিগেল সার্ভিসেস কমিতিনসু ঙসি হাই কোর্ট ওফ মণিপুরদা নেসনেল লোক অদালত পাঙথোকখি। ঙসি কোর্ট অসিদা পুন্না কেস ২১০ লৌখৎপগী মনুংদা পুন্না কেস ১৭৩ রিজোলভ তৌখি অমসুং অপুনবা লুপা কোতি ২ লাখ ৩ লিশিং ১৬ হেনবগী শেনফম সেটেলমেন্ট তৌখি হায়রি।

রিমস(এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সের্স (রিমস)কী দিরেক্তর প্রোফেসার জি. শুনিল কুমার শর্ম্মনা হায়রি- রিমস হোস্পিতালদা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্ট ২৫ হাংদুনা অনা লায়েংগী লমদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ৱাফম অসি ঙসি হোস্পিতাল অসিগী জ্‌বিলি হোলদা পাঙথোকখিবা রিমসকী ৫৩ শুবা ফাউন্দেসন ডেদা ৱা ঙাংবদা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- রিমস হোস্পিতাল অসি ইং ১৯৭২ দা লিংখৎখিবনি। হোস্পিতাল অসিনা লমদম অসিগী অনা লায়েংগী লমদা শিংনবা কয়া মায়োকদুনা মীয়ামগী য়াইফনবা হোৎনরি। হৌজিক হোস্পিতাল অসিদা মণিপুরগী ৱাংমদগী লাকপা মীওই কয়াদসু অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীরি। প্রোফেসার শুনিল কুমারনা হায়-

হোস্পিতাল অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই কয়াদা এম.বি.বি.এস য়াওনা ডোক্তর কয়া পুথোক্লি। লোয়ননা হোস্পিতাল অসি লমদম অসিগী মপাল নাইদ্রবা লন অমসু ওইরি হায়না শিংথাখি।

রেড ক্রোস (এল)ঃ ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি ককচিং ব্রাঞ্চনা আই.আর.সি.এস মণিপুর ষ্টেট বঞ্চকা খুৎশমনা শিন্দুনা ঙসি গ্রেস কোতেজ একাদমি অমসুং কলচরেল ইদুকেসনেল দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসন ককচিংদা ৱাৰ্ল্ড ফাষ্ট এইদ ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা ফাষ্ট এইদ ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা খা মণিপুর কলেজগী য়ুথ রেড ক্রোস, গ্রেস কোতেজ একাদমি অমসুং মার্তিন গ্রামার স্কুলগী জিনিয়র রেড ক্রোসকী মহৈরোইশিংনা শরুক য়াখি।

কাংপোকপী (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কাংপোকপী জিলাগী মনুং চনবা বাইতুম খুল্লেনদা খুলগী নুপীশিংগা ইন্তরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এস.লাইজাং, কোটলেন্দ, এল. হেংজোল অমদি বাইতুম খুল্লেনগী খুঞ্জা নুপী কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অসি মরুওইনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা মীয়ামগী থৌদাং লৈ হায়বা খঙহনবগা লোয়ননা নহা কয়াবু দিফেন্স ফোর্সতা চংহন্নবগী মতাংদা অসাম রাইফলসনা খুঞ্জাশিংদা ৱাখল তাহনখি। লোয়ননা খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কুপা খন্ন-নৈনখি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী তেংনৌপল জিলাগী ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈদা থিবা হুন্বগী থবক চখবদা পি.এল.এগী কাদর অহুম ফাগৎপা ঙমখ্রে। ফাগৎলবা কাদরশিং অদু পল্লেল পুলিস ষ্টেসনদা মখা তাবা কেস লৌখৎনবগীদমক শিন্নখ্রে হায়রি।

নোনে (এল)ঃ নোনে জিলাগী লোংমাই এরিয়াদা ঙসি অহানবা মহৈ মরোং লোকপগী কুম্মৈ পাক শন্না পাঙথোকখ্রে। মফম অদুদা লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা ঙসি নুমিৎ অসিবু থেঙ্কস গিভি ডে হায়নসু পালন তৌরি। খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী

ইংখোল অমদি ফার্মদগী লোকপা অহানবা মহৈ মরোংশিং ঈশ্বরগী মফমদা কৎতুনা থৌনিখি।

তমেংলোং (এল)ঃ তমেংলোং জিলাগী ওইনা ঙসি ইন্দিয়ান নেসনেল কংগ্রেসতা ইনরোল তৌবগী দ্রাইভ অমা চথখ্রে। দ্রাইভ অসি তমেংলোং ৱার্দ নম্বর ফোরদা লৈবা দলগী ৱার্কর চমগাইপৌ পামৈগী য়ুমদা পাঙথোকখি। মখা তানা দ্রাইভ অসি তমেংলোং ৱার্দ নম্বর ফোর নিউ সালেমদা লৈবা ফুংগানগী য়ুমদসু মখা তানা পাঙথোকখিগনি হায়রি।

লৌমী (এল)ঃ ঈশিং ঈচাউ হঞ্জিন হঞ্জিন মায়োকরবা লমদম অসিগী লৌমীশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা কেলামিতি লাউথোকউ হায়না মণিপুর লৌমী লুপকী চেরোল অমনা হায়রি।

লুপ অসিগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা চহি ২০২৩ গী মে ৩ দগী থোকখিবা ইরাং অসিনা লৌ পানবা ঙমখিদবদগী ক্রোপ কম্পেন্সেসন ওইনা কেন্দ্র সরকারনা কাইথরকখিবা শেনফমগী অরোইবা তাঙ্কক্কী ওইনা লৌমীশিংদা ফংহন্দনা লৈরি। মসি লৌমীশিংবু মীরাইবনি হায়না পেন্দবা ফোংদোক্লি। লৌমী অমসুং ঙামীশিংনা মায়োকরিবা অৱাবশিং কোকহন্নবা রাজ্য সরকারনা হন্দক্কী ঈশিং ঈচাউ অহুম অদু ষ্টেট কেলামিতিনি লাউথোক্তুনা কেন্দ্র সরকারদগী অখন্নবা হকোনোমিক পেকেজ লৌনবা হোৎনফম থোকই হায়রি।

মেটঃ মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্লিবা নুমিৎ নিনি হুমনি অসিদা মনিপুর, নাগালেন্দ, মেঘালয়, অসাম, অরুনাচল প্রদেস অমসুং বিহারদা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

বিভাগ অসিগী চেরোল অমনা হায়-অৱাং নোংপোক থংবা বঙ্গোপ সাগরদা দিপ্রেসন লৈবনা নোংচু বঙ্গলাগী গঙ্গা তম্পাক, উরিষ্যা, বিহার, ঝরখন্দ অমসুং ছাতিসগরদা ঙসি কা হেন্না কনবা মওংদা নোং চুগনি। দিল্লি অমদি

মসিগী অকোইবদা লৈচিল নোংফাই য়াওনা ময়াই ওইরপ চাংদা নোং চুগনি হায়রি।

মোদি ঃ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- জম্মু অমসুং কাশ্মীর অসি চাওখৎপগী লন্বীরোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী দোদাদা ঙসি পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱাফম অসি প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- বিরোধি দলশিংনা অচান মীরাই নাইবগী থৌওং চখরি।

মরক অসিদা, জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট খোন্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তাঙ্কক অসিদা থা অসিগী ১৮ দা বিধান সভা কেন্দ্র ২৪ দা ভোট থাদনগনি। মরুওইবা রাজনিতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মখোয় মখোয়গী ঙমজবী থাক্তা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

অমরোমদা, তাঙ্কক অমখক্তদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগী ভোৎ খোন্বগা থবকসু কনখৎলক্লি। সিট ৯০ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখল মথং থাগী ৫ দা পাঙথোক্কনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা বি.জে.পিগী মীখলগী কেম্পেন ঙসি হৌদোকখ্রে। হরিয়ানা অমদি জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী বিধান সভা মীখলগী ভোৎ মশিং মথং থাগী ৮ থীগনি।

কংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিক আর্জ্ন খরগেনা লাক্লিবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগীদমক ঙসি দলগী লুচিংবা অহুম এ.আই.সি.সিগী সেনিয়র ওবজার্ভর ওইনা খনখ্রে। মখোয়শিং অদুদি- অশোক ঘেলোৎ, আজয় মাকেন অমসুং প্রতাপ সিংহ বাসৱাননি।

দিবসঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- লৈবাক অসিবু পুনশিন্নবা হোৎনবদা হিন্দি লোলনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- হিন্দি অমদি অতৈ লোলশিংগগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈতে।

ন্যু দিল্লিদা ঙসি ওফিসিএল লেঙ্গোইজ দাইমন জ্ব্লি সেলেব্রেসন অমসুং মরিশুবা অখিল ভারত্তিয়া রাজ ভাষা সমেলন হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিদা ঙাংনরিবা তোঙান তোঙানবা লোলশিং চাওখৎলবা মতমদতা মপাঙ্গল লৈবা ভারত অমা ওইহনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- অঙাংশিংবু মহৈ মশিং তম্বদা মমা লোলদা তম্বীননবা নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসিদা ময়েক শেংনা পল্লি।

পনবা য়াই, ইং ১৯৪৯ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা কন্সটিট্যুয়েন্ট এসেমব্লিনা দেবনাগরি ময়েক্তা ইবা হিন্দিবু লৈবাক অসিগী ওফিসিএল লেঙ্গোইজ ওইনা চৎনবা হৌখিবনি।হৌজিতি হিন্দি লোল অসি মালেমগী মফম কয়াদা পাক শন্না ঙাংনবা লোল অমা ওইরে অমসুং লোল অসি মীওই কোতি ৫২ হেনবনা ঙাংবা ইহান হানবা লোল ওইরে।

জেকে ঃ জম্মু কাশ্মিরদা তেরোরিষ্টশিংগা খুৎ থোকখ্রবা মতুংদা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি। মফমশিং অদুদি- কিষ্টৱার, উধমপুর, পুন্স অমসুং রাজোরি জিলাশিংনি।

অকাশবানি জম্মু পাউমীনা হায়-কিষ্টৱার জিলাগী পিঙ্কনা দুগাদাগী উমংদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙসি নিনি চনবা ওইনা থিবা হুম্বগী থবক চথুখি। মফম অদুদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা দ্রোন অমদি অতৈ খুৎলায় কয়া শিজিন্নদুনা তেরোরিষ্টশিংগী লৈফম খঙদোকবা হোৎনখি। উধমপুর জিলাগী খন দারাতো, কুটৱার অমসুং রাইচপতসু থিবা হুম্বগী থবক চথুরি। রাজোরি জিলাগী নাউসেরা অমসুং খনামন্দি অমদি পুন্স জিলাগী সুরাংকোতে জঙ্গলদা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি।

মরক অসিদা নোর্থ কাশ্মীরগী বরামুল্লাহ জিলাগী ক্রিরিদা ঙসি অয়ুক খুৎ থোকবগী থৌদোক্তা তেরোরিষ্ট অহুম শিরে। পুলিসকী পাউনা হায়- সেক্যুরিতি ফোর্সকা তেরোরিষ্টশিংগা নোংমৈ কাপবগী থৌদোক্তা তেরোরিষ্ট অহুম অদু লৈখিদবনি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী ঝারখন্দ, গুজরাত অমসুং উরিষাগী নুমিৎ হুমিগী খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি।

ঝরখন্দগী টাটানাগর জঙ্কসনদা টাটানাগর-পাটনা বন্দে ভারত ত্রেন য়াওনা বন্দে ভারত ত্রেন ৬ শ্রী মোদিনা লমথাগনি। শ্রী মোদিনা লুপা কোতি ৬৬০ হেন্না চংনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা রেলৱে প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি। মহাকা প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা গ্রামিনগী বিনিফিসরি লিশিং ২০ হেনবদা সেঙ্কসন লেট্টরশিং খুৎশিন্নগনি।

লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রিনা গুজরাতকী গান্ধিনাগরদা লৈবা মহাত্মা মন্দিরদা মরিসুবা গ্লোবেল রিন্যুএবল ইনর্জি ইনভেষ্টর মিট এন্দ এক্সপো (রি-ইনভেষ্টর) হৌদোক্কনি। মথংগী নুমিৎতনা প্রধান মন্ত্রিনা ডরিষাদা চৎকনি। রাজ্য অদুদা লুপা কোতি লিশিং ৩,৮০০ হেন্না চংনবা পায়খৎপা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাগনি অমদি যাত্রা হুনগনি।

সিবিএসই ঃ সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন (সি.বি.এস.ই)না রাজস্থান অমসুং দিল্লিগী স্কুল ২৭ নিয়মগী ৱাংমদা চলাইরম্বগীদমক সো কোজ নোটিশ থাখ্রে। সি.বি.এস.ইনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- স্কুলশিং অসিদা য়েংশিনবা চৎপদা নিয়মগী ৱাংমদা স্কুল চলাইরম্বগী থৌওংশিং থেংনরকখি। স্কুলশিং অসিদা ক্লাস এলেভেন অমদি তুয়েল্বতা মহৈরোই মশিং হেন্না মীং চনশিল্লম্বগী থৌওংসু থেংনখি হায়রি।

এক্স গ্রেসিয়া ঃ গুজরাতকী দেগামদা থোকখিবা ইরাকবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী মফম প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং মনুংদা এক্স-গ্রেসিয়া পীগনি হায়না লাউথোকখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা হায়- প্রাইম মিনিষ্টরস নেসনেল রিলিফ ফন্দগী মখাদা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ ২-২ গী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি অমদি অশোকপশিংদনা লুপা লিশিং ৫০-৫০ পীরগনি।

বাসমতিঃ সরকারনা বাসমতি চেং মপানদা থাদোকপগী রেজিষ্ট্রেসন কম এল্লোকেসন সার্টিফিকেটশিং পীবদা মেত্রিক টোন অমমমগী মিনিমিম সপোর্ট প্রাইস দোল্লর ৯৫০ ওইরম্বদু তোকখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা কর্ম্মস অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি-পিয়ুস গোয়লনা হায়-মপান লমদা মগুন লৈবা চেং থাদোকপা অসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনগনি। মহাকা হায়-মসিনা চেং থাদোকপগী চাংসু হেনগৎহনগনি।

থাউঃ সরকারনা শুংদোক্ত্রিবা থাউ অমসুং রিফাইন তৌরবা নুমিৎলৈগী থাউদগী লৌবা কষ্টমস দ্যুটিজগী চাং হেনগৎখ্রে। শুংদোক্ত্রিবা থাউগীনা ওইনা চাদা ২০ অদুগা নুমিৎলৈদগী শুংবা থাউগী ওইনা চাদা ৩২.৫ গী চাংদা কষ্টমস দ্যুটিজ হেনগৎলে। মসি ঙসিদগী চৎনবা হৌরগনি।

শেল থুম মন্ত্রালয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়-শুংদোক্ত্রিবা পাম, সোয়াবিন অমসুং নুমিৎলৈ মরুদগী শুবা থাউদগী লৌবা বেসিক কষ্টমস দ্যুতিসু চাদা ২০ হেনগৎলে।

হোক্কি ঃ চাইনাদা চথরিবা নুপাগী এসিয়ান চেম্পিয়নসিপ ট্রোফি হোক্কি তুরনামেন্টতা ভারতনা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইরে। ভারতকী পাঞ্জল অনিমক কেপ্তেন হরমন প্রিত সিংহনা চনখি। মেটচ অসি থোইখিবগা লোয়ননা ভারত সেমি ফাইনেল চংলে।

------